> “লাক্লবদি হনবা তাই, শাৎলবদি কেনবা তাই। নুংশি নুংশি কায়নবা, মালংচৎনি মালংচৎ।”
> - *মীনকেতন (অশৈবগী নিত্যাইপোদ)*

শেরেং

## পাম্মুইদকো নেতা ইরাবত

**—নাওরেম মঙ্গি**

পাম্মুইদকো নেতা ইরাবত
নঙনা ওইহন্নীংখিবা মণিপুর
ঙসিদি শলাক শাখরে
ঐখোয়গী নেতা শাবশিং
নঙবু নুংশিশন্নবা ওইরম্লে।
নঙনা তাক্লম্বা লম্বীদো
ওন্ন-তৈননা চৎখরে
খঙলবসু খঙশিন্নদরে
মশাগী কান্নবতা থিখরে
মীখোঙ কোনবদা ইকায়দ্রে।
নঙগী নপোক নুমিত্তদা
নঙবু নুংশিবা শাদুনা
ঙাঙলিবা ৱাঙাঙ শঙাঙশিং
তানীংদবনা নাসি মেন্নীংলে
য়েংনীংদবনা মিৎসে নারে।

## তাইবঙগী চৈনা কিজদুনা লোৎপ্রা

**—খুরাইজম মিলন**

ইমাগী ইবেন্মা নুংশিবী
ঙসি নঙনা তৌরিসিবু
করি মতৌ কৌবগে
হায়যুনে ইমাদা অমুক্তা!
পলেম্মা কৌবসু তাদ
পন্থৌনা কৌবসু খুমদ
নীংঙায়দা তূমখুন তাল্লিবোই
পন্থৌগী লায়র খাংপোকসিদা!
তাইবঙগী চৈনা কিজবনা
লোৎলিব্রা নঙবু নদোমতা
কনাসু খঙহন-উহন্দনা
অঙৌবা ফিজং মরুমদুদা!

## থওইবীদ্রবা নহাকসে

**—লুখোই লাইশ্রম**

থওইবীদ্রবা নহাকসে
খল্লুদ্রবা নহাকসে
মরুপনি হায়না নীংশিংলুদ্রবা
কাউথোকপগুম তৌরুরবা
নীংশিংলকই খঙহৌদা
অয়ো নাহে চল্লগা।
য়েংলুদে কনানসু
উশিল্লুদে মহাক্তো
মমল লৈখ্রবা পোৎশকনি
তাইবঙগী চৎনবী ওইনা।
অকে অমৌদা লুপলিঙৈ
ঈরাং থক্তা তাওরিঙৈ
নোংমগী চরা তাল্লিঙৈ
মরুপ মপিজা কয়াগা
তিন্ন-তোৎনা তৌরিঙৈ
নীংশিংবীরুদে কনানা।
নীংশিং মীকুপ থন্বীদে
মাবু হেন্না নীংলুবদি
য়েংশিন খোঙকাপ থাংবদি
চাংচৎ নাইনা য়েংবদি
তাইবঙ খুজোক খরনি।
হংলু হায়রু খুদিংদা
খঙই খঙই মহায়দো
চেকশিন খোঙকাপ মাবুদি
কাঙলোন চুম্না থন্বীদে।
অয়ো নাহে চল্লবা
মতম মাবু হৌখ্রবা
নীংশিংলকই, চেকশিনবা
চেকশিনবা কৌবা লাইওইবা
নহাক্তবু নুংশিরকই।
থৱায় মঙা মহাক্তি
ঐতগীনি খঙলকই
মতম হেনখ্র মীকুপ্তা
থওইবীদ্রবা নহাকসে।

## চীলৈপাক্তা লৈজরুরগে

**—বী মঙাং**

কন্না লাওরি মীয়ামগীদমক্তা
তুংগী মীরোলগী য়াইফনবৈ
লৈবাক নিকপা মখৈ
কৈদৌবৈনো?
কুমজা ১৯৯১গী অথিংবা লৌথোকপৈ
থিংনা থিংনা শুংবসু লেপ্তুদুদি
নাৎকী মিংদা শুংনীংমখৈ শুংইদুদি
শ্বায়দা লাওবা ৱানি, মচৎনি কৈনো।
লিভর নাদুনা ঙন্না খোঙশান্নখ্রে
কনাসু কিদে শিবা, ঈপাক্তুদা লুপখ্রদি
পোৎলোইফমদসু, মীতিনফমসু ’সি ঙাক্তা
চৎনবী ওন্থোক্লে কৈনো।
’সি তৌদ্রদি, শঙ্গ তৌদবা কৌরে।
পান্থৈ লৈতে, ইশানা ৱাখল তাদ্রদি
চুদৈ, কিহোমদৈসু শুংদোক্লগা
মপাল লৈবাক্তা থাদোকতোয়বা
লৈবাক্কী শেন্মীৎলোল ফগৎনবা
চীংলৈবাক্তা অঙন্বশিংগা তিন্নরগা
নীং তৌনা পোপি থারুরগে
শেল পায়রগা ভোট লেপ্পবা।

## ঐগী থম্মোয়নুংসিদা

**—শ্রীরামেশ্বর লাইশ্রম**

ঐগী থম্মোয়নুংসিদা
থা অমা তপ্পা-তপ্পা পানখৎলক্লি
পুর্ণিমা অমুক্তং ওইনবা;
কনানা খঙবী, থাবল ফরক্তুনা পুর্ণিমা ওইরকপা,
কনানা খঙবা পুমঙাল ঙান্থোক্লকপা
মন্ন ঐগী থাশিগী পূক্লিংসে।
হে চান্নথোইরবী!
হায়গনু নঙনা ঐবু য়ুঙাও থীবনি,
থক্লিবনি ঐনা য়ুসে পূক্লিংগী অপেনবা ফংনবা।
নঙনা খঙখিবদুনি য়েলহৌঙৈদা,
ঐদি মী হাৎতে, মীঙোন্দগী শেল মুন্দে,
লৈবাক্কী শান্তি কায়গনি কিজবমক্তনা
ঐনা লোৎতুনা থমজরকখি অপান্বা খুদিং

## ইথৌদাং

**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

পোক্লক্লবনিনা মীওই মপোক্তা
থৱায় পানবশিংনা তানবদা ৱান্নরবা
চৎলসি মীওইবগী লীচৎ-শাজৎ
পাঙনরসি ইশা ইশাগী থৌদাং
চাওখৎপা খুন্নাই অমা পুরক্লবা;
থবক্তা থিরগুমসি চিলহাও অমুক
অফং অফংবা থবক শুবদা
নত্তে ইকায় ফিরুক খুমগদবা
হুরাল্লুবা নত্তবনা মীগী মরল
চীংননীংঙাই করি লৈরিবগে অমুক;
শেংলবা ইশাগী পাঙ্গল লৌশিংনা
তাঞ্জবা হুমাংমলদগী হেন্না অথোইবা
লৈত্রবনি লন অমা তাইবঙদা
মৈনসু চাক্লরোইদবা ঈশিংনসু থুল্লরোইদবা
মরায় শুকচায় চায়থরক্লরোইদবা লন।

## জগৎকী চান্নথোইরবী ইমা

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

জগৎজীবশিংগী চান্নথোইরবী
ইমা, লাক্লবরা হরাও মোমোন
মীনোক্কা লোয়নরদুনা
কুমগী অনৌবা মপাউ
কয়া পুরদুনা।
ইমাগী মায়কৈতবু য়েংলদুনা
হৈনম, লৈনম, ধুপ থাউমৈ
চুখৎলদুনা মঙ্গলগী অশির্বাদকা
লোয়নরদুনা,
ইমাগী মায়কৈতবু য়েংলদুনা
নচা ননাই ওইবশিংনা
খৌরাংনা ঙাইজরি।
নীংথম ঋতুগী অহৌবা
মেরা থানা লাকপদা
নিংথিরবা অনৌবা ফিজোলতনা
লৈতেংলদুনা জীবশিংগী
অৱা-অনা কোকপীরনবা
নীংথিরবী মোমোন নোকপা
মীনোক্কা লোয়নরদুনা
লাক্লে জগৎকী চান্নথোইরবী ইমা।

## লৈনাংদুদা

**—এম নীলকুমারী**

হৌগৎলোনে চান্নবী:
করম্না তূমথখিবনো খঙহৌদ্রে;
নীংখায়রবা চীংজাওগী
চেন্থরক্লবা লৈনাংগী
মরুমদা লোৎলিবনা করিগী?
লৈখোমগী লৈনাংগী লৈতেংনা
শকখঙ মায়খঙনদরে।
তুরেলগী কাউশিংনা মপুন মপুন তাওথখিবগুম
খান্বীনবা য়াওদনা তাওথখ্রবরা?
নৎত্রগা
লৈনুংগী লৈশা ওনখ্রবরা?
য়ামখ্রবা মীশিং তোংশাগী মরুমদা লোৎলম্বা
শরুগী মীতম ওইখিবা
মহৌশা ইমাগী অশাওবনা থুমহৎখিদুনা
খুন্তাক-লানসি ওনশিনখ্রে।
ঈচেল য়াঙলবা তুরেল লৈনুংগী লৈমায় ওইখরে
তুরেলনা লৈনুং চঙখিবা কনানসু ঙক্তনিংঙাই ওইররোই
হায়ফম খঙহন্দ্রবা লাইরেন্বী ইমাগী খুদোলনি
ৱাকৎফম মাঙখ্রে-
অচৌ পিশক খায়দ্রবা মীশক শক্তম য়েংদ্রবা
ইমানি ইমা তৌফম খঙদ্রবা মহৌশা।
মহৌশা লাইরেন্বী নঙনা নল্লগা উপালনা খুমজিল্লি
করম্বা মতমদা খুন্দা লৈতাফম ওইরক্কনি
কনানা হায়বা ঙমগনি
মীনা খনবনা অমা শকউদবনা শেম্বনা অমা
মান্নদবা ময়ামনা মান্নহনবদি ওইররোই।

## শিনীংদবনি

**—ইরোম মোবি**

ৱাখলবু নুংঙাইরবা
অনা অয়েক য়াওদ্রবা
শুংশি শিনীংদবনি।

## মখোয়নি

**—ডা. রঞ্জিৎ মঙাং**

হায়নীংবা কয়া হায়দোকই
ফোঙনীংবা কয়া ফোঙদোকই
অপঙবা অশিংবা মনানা তাবীদে,
ঙন্নমক অরেম্বা তাই
অদুম ওইরসু হায়দোক্তবদি য়াদে
ফোঙদোক্তবদি ঙম্লোই।
মীয়ামগী খনবা কাঙবু
মীয়ামগী খন্দবা কাঙবু
মীওইবা খুন্নাই লৈরিঙৈ মতম
অসুম লৈখিগনি খল্লকই
নখোয় ঐখোয় কয়ানা
চুমথোকপা ঙমগনি খল্লক্ত্রে।
চাওখৎপা লৈবাক্কী মতৌ তম্বা
অৱাবা থবক নত্তে,
লায়রবনা তৌবনি খল্লসু
লায়রবদি ৱাখল খল্লি
ঙসিগী মালেম লাংহল্লিবা
শেঞ্জাও পায়বা মখোয়ননি।
মখোয় মাঙদা কনা লেপঙমদে
অশিংবসু মখোয় ওই
চিন চৎপসু মখোয় ওই
মখোয় ঙমদবা লৈতে উৎলি
মখোয়গা মুক্লবা অপঙবা তাই
লৈবাক মচাশা! লমদমসিদা তৌরিসি করিনো?

**মতম মতমগী ৱাখল**

# ঐখোয়সে নোক্তবা কুইরেদা

মীওইবনা ৱাদনা নুংঙাইবসে অনীনি হায়না খল্লি। হাকৎচবা হোৎপা অমদি নোকপা হায়বা অনীসিনি। কনাগুম্বনা মীৱা ঙাঙনবসি থারগা নুংঙাইবসি মখল অহুম্নি হায়খিবসু লৈখি। তেংবানবদা লৈরিবা থৱায় পানবশিংগী মনুংদা নোকপা ঙম্বসি মীওইবখক্তনি। তম্বীরগদি হুইসু, য়োংসু, শগোলসু, চোংঙা তেনৱা লোইনা নোকই। মীনা নোকপগদি মান্নদে। মীনা নোকপদা মায়থোং মকা লাম্মী, উনশা তিংথোকলকই। য়াতোন লংনা ফজবা, মিৎকী চিনবানগী ফজবা, পিশুমগী ফজবা লোইনা উবা ফংঙি। অতৈদদি হায়রিবশিং অসি উবা ঙমদে। হায়নৈ নোকপদা রাশি লৈ, ফজৈ। নোকপদসু ফজবগী মফম অমা তেংবানবা মপুনা ঈশ্বরনা, অল্লাহনসু পীবীরম্মী। অঙাওবসু অঙাওবীসু, নহা অহল, হনুবা হনুবী, লাইরবা ইনাক খুনবা শাগৈ জাৎকী ৱা লৈতে নোকপদা লোইনা ফজৈ মকা লাম্মী। মীদি নোক্কদবনি অদুবু মীদা নোক্কন্দবা লৈ। ওজা এলাংবম নীলকান্তা হিংলিঙৈদা নোকপা পাক উখিদে অদুবু নোংমা নোকপা উখি। মণিপুর সাহিত্য পরিষদকী থৌরমনি। জি সি তোংব্রানা ফম্বাক থক্তা হায়খিবনি- ‘ঐগী পূন্সিগী অরোয়বা মতম লাক্লে। ঐ শিরনি। ঐনা শিরগা অশিলৈবাক্তনা যমরাজনা ঐঙোন্দা মণিপুরগী মীয়াম করম তৌহৌবগে হংলক্কনি। ঐবু যমরাজদা করি হায়না খুমজৌগে ?’ ৱাহৈদু তাবদা মমাংদা ফম্লিবা ওজা নিলকান্তনা থৱায় তানা নোকখি।

জি সি তোংব্রাগা ওজা নীলকান্তগা ঙল্লিঙৈদা য়ানখিদে। মতম অমা ঙল্লিঙৈদা ফোঙখিবা ‘ঙসি’ হায়বা খবরগী লমায়দা অমনা অমবু হুন্নরগা কন্না ঙাঙনখিবগী পাউদম কাংঙুজম মধুমঙ্গোলনা খোমজিল্লগা ইবা ‘জি সি তোংব্রা অমসুং মণিপুরী জর্নেলিজম’ হায়বা লাইরিক্তা ময়েক শেংনা ইরকপা পাখ্রে। নোক্লিংবা নুংঙাইবনা পীক থল্লি। জি সি তোংব্রনা ওজা নীলকান্তাদা ‘নীলকান্তাবাবু’ হায়না কৌই। মিংগী মনিংদা বাবু নপ্লিবসি মরম লৈরি, নোক্লিংবা পোকই। হৌজিক্কী মতমদা ফাগী তৌবা হৈবা, ফাগী তৌবদা পকচবা মী লৈত্রে। য়োৎশবী, চেংবা ফাগী হৈবগী মিং তাখি, ঐখোয়না থেংনখিদবা ঙল্লিঙৈগী ফাগী পুবা মীশক ঙাক্তনি। মখোয়গী মতুংদা চাউবা, তোম্বী, বাবু, কৈরাও নবদ্বিপ, থাংমৈবন্দ ইতুখোম্বী, তখেল্লম্বম মনিকচান্দ, সোইবোন, মালোম কুঞ্জরাজ ঐখোয়না উজখি। মখাদসু নহারোল থোকলকখি ধন্নবীর, হেমন্তা (তোলহল)। ধন্নবীর ঙন্তানা লৈখিদ্রে, অফবা ফাগীরোয়নি পাম্মুই। ফাগীরোয়দি নত্তবা ৱা ঙাঙবদা নোক্লিংহনবা খরসু শুম্মাং লীলাদা উখি মংসাতাবম নিংথেম, কৈকোল চাউবা, হুইরেম মংলেম, চীংলেন, কৈরাও রাজেন অসিনচিংবশিংনি। হৌজিক্তি মখল মথেলনি। নহারোল য়াম্না থোকলক্লি, জে সি বি, ক্রেন ময়াম থোকলকপগুম্বনি। শোন্নবদি থায়নগী বুল দোজর, টাটা গাড়িনা হেন্না শীংথানরি।

ফাগীগী তমফম লৈতে। হোৎনবনসু ফংলোই। মসিদি পীথোকলকপনি পকচবা মতৌনি। পকচদ্রগদি নোকপা ঙমলোই। খ্বাইদগী লুবা আর্টতি মীবু নোকহনবনি। নোকপসি মশক উবদা নোকপা অমা, ঙাঙথোকলকপদা নোকপা অমা মখল অনীদা ঐখোয়না থেংনরি। মীবু নোকহনবসি শুম্মাং লীলাদা তৌরকপা ফাগীনা হেল্লি। মসিগী মরমদি অয়েংবশিংগা হকথেংননা নক্না উবা অমদি তাবা ফংবগীনি। মরম অসিনা শুম্মাং লীলাবু ইন্টিমেট থিয়েটর হায়না খঙনরিবনি। শুম্মাং লীলা নত্তবা অতোপ্পা মীবু নোকহনবা ঙম্বসি মণিপুরগী পর্ফোমিং আর্টতা য়াম্না তাঙনা মোইরাং কংলৈরোল শৈশক অসিদা হৈস্নাম মঙ্গোলজাও (ময়ামগী থাঙ্গা ওজা মঙ্গোলজাও) ওজানা মহাক্কী মোইরাং কংলৈরোল ঈশৈদা মীবু নোক্লবা মতাং হাপ্পগা শকখি। কংলৈরোল শৈশক অসিদা হৈস্নাম মঙ্গোলজাওনা মীবু নোক্লবা শেল্লিবা ফাগী অসি অতাঙবনি। মওং মতৌ চপ মান্না অমুক মহাক্কী অচানবা মাইবম তোম্বা অমদি খুমন্থেম সুন্দরি ওজা অনীমকসু মীবু নোক্লবা তাবা নুংঙাইনবা মতাং হাপ্প গা মোইরাং কংলৈরোল ঈশৈ শকখি। হৈস্নাম মঙ্গোলজাও ওজানা মোইরাং কংলৈরোল ঈশৈদা মরুওইনা মীতৌ তম্লগা ঙাঙবা, শগোল খোংবা, নুংশিৎ শিৎপা, থোং হাংবগী মখোল মখল মখলগী খোন্থোক শীজিন্নদুনা ওন্থোক্না মান্না তাহল্লি। তাবদা মানমনখিবদগী নোকহল্লি।

তখেলম্বম চাউবনা ৱা ইঙাং ঙাঙদনা নোম নোম থোকলকপদা নোকহল্লি। চায়াম পোকপগী মথা শাবা, শদৌ থোংবা শুকথরগা থোকলকপদা ওইনাম বাবুগী লম্বা লৈতে। মংসাতাবম নিংথেমনা খোইরুম মীনোক তৌরগা, জয় লক্ষিমি ইমা ইবেম্মা অসিতং হায়বদা পুক্লি পায়বা মখৈ নোকহল্লি। অরিকপা শাবদা মানখিবা লীলারোইনি। নুপী শারে মানবা, মাইবা শারে মানবা, পুলিস কন্সটেবল শারে মানবা, নাপংবা শারে মানবা ধনবীরনি। ময়াম অসিনা লমদমসিগী মীওইশিং ফনা কুইনা মখোয়গী মমল য়াম্নবা পর্ফোমেন্স অদুনা নোকহনলমখি। হৌজিক্তি মখোয়গী মহুৎ শিনবীনবা লৈতবনা ঐখোয় লোয়নমক নোকপগী মহুৎতা বি পি, ডাইয়েবেটিস, কাউগনবা লায়না ময়ামগা হিংমিন্নরি। কোভিদনা ফনা য়াম্নসু পুবিখ্রে।

য়াম্লুং রাজ কুমার বিদুর, তামো ডা. যোদ্ধচন্দ্র সনমসম, য়ামখ্রে মরুপ মপাং ওজা ইরেংবম কেশো, রাঘু লৈশাংথেম লোয়নমক কোভিদনা পুবীখি। খল্লু খল্লুরগা নুংঙাইরক্তবা, পূক্লিং নুংশিনীংঙাই ঙাক্তনি। হৌজিক ফাওবা নুংশুক নুজানরি। ঙরাং নহালতা নিংশা খর হোন্নবগী ৱানি ঐখোয় মপান থোক্লরক্তবা মরুপ মপাং উন্নদবা চহী অহুমলোম হায়রক্লবনি। অসিগুম্বা মরক অসিদা অহল ইবুংঙো মাইবম নবকিশোরনা লাইরিক অমা পুথোকপীরক্লি মমিং ‘খন্থ খন্থরুগা নুংঙাইরকপা’ লাইরিক অসিগী মিংথোলনি। ময়েক অকূপ্পনা মখাদা ইরি- নোকৱা, প্রামান পান্থে অমসুং অতৈ অতৈ ..।





ঐখোয় নোক্তবা কুইরে। নোক্লবা ঈপোম, ফাগী লীলা লৈত্রে, ফাগীরোইশিং অহল লমন অমত্তা লৈত্রে। ঙরাং পুথোকপীরক্লিবা লাইরিক অসি নোক্লিংবা মচাক য়াওরম্বা য়াই খনখি। মরমদি অইবসি শক্লাইবনি। ফাগীগী শমব্রু থুংঙি। জি সি তোংব্রাগী মথংদা ৱা ঙাঙবদা তানীংখিবা, নোক্লিংবগী মহাউ পীবা ঙম্বসি লাইওইখ্রবা ওজা এলাংবম দিনমনি। মথংদা হিংহৌরিবশিংগী মরকতা ওজা মাইবম নবকিশোর লৈরি। ময়াম্না ওজাগী পূন্সি কুইনা লৈবীরমখিনবা নীজরি। ওজানা পূন্সিবু হঙ্গৎনা য়েংলুরগা অৱাবা কাওথোক্লবা লাইরিক অমা পুথোকপীরকপনি। অসিগুম্বা লাইরিকসি মণিপুরী খোরিরোলদা পংলৈ লৈতে। অঙৈবসু খুৎ থেকপদা ফংবা ৱারী। ওঝা নবকিশোরগী ফাগী পুবা রেডিও লীলা মচা অমগী ডাইলোগ নীংশিংলকই। মাগী নুপীদা শাওনা হায়বনি।

নুপা- ঐ পৈশা থোকত্রসু লিচৈদি থোকপনিকো ..?

ঙরাং নহাল ফোংবা লাইরিক অসিদা অঙৈবা ওজা নবকিশোরনা খন্থরুরগা নুংঙাইতবা শাওনীংবগী মহুৎতা খন্থ খন্থরুরগা নুংঙাইরকপগী পাউ লাইরিক ওইনা ফোঙদোকখ্রে। উপ্না তাবা উনা লোংনা হাইদোক্লগা নোক্লিংবা য়াওব্রা য়েংলুই। লাইরিক ওইনা পাবনিনা খূদক্তা নোক্লিংবা নুংঙাইবা ঙমদবা য়াই, খুদক্তা নোক্লিংদ্রগসু কোন্না ঙাইহাক লৈরগা নোক্লিংবা পোকলকপা য়াওগনি। অসিগুম্বা ময়ামসি পূল্লপ পুনশিলকপদা ওইবা তায় অইবনা খন্থ খন্থরুরগা নুংঙাইরকপা হায়রিবসি। নুংঙাইবগা

নোক্লিংবগা অনীসি খরদি খেন্নে। নোক্লিংবদা নুংঙাইবা য়াওবা, নুংঙাইবদা নোক্লিংবা য়াওবা অদুগুম্বনি হায়না লৌবসু য়াই। লাইরিকসিদা য়াওরিবসি নোক্লিং ৱারী কুন্থ্রানিপালনি। অমখক লৌখৎচরি শকমান্নবগী ইকায়বা কৌই। য়ুমগী মৌ মায়থকপী অমগী ৱারীনি। খোংজুম হৈদোকপদা মতৈদা খর চোংখি। মতৈদুনা করম্বা মৌনো হায়দুনা চৎখ্রগা সঙ্গৈাই মচি অমদা অমুক ফমলুই। মনাও নুপীদুনা প্রপ প্রপ চেল্লক্লগা ফম্লিবা মতৈগী নাক্তা অমুক চঙলক্তুনা মাগী মপুরোইবা ওইরবোই নীংদুনা-ঐদি ঙসি চোপ্পা নঙলুরে। খোঙজুম হৈদোকপদা ইতৈদা চোংখ্রে। শোয়খিবনি নঙ খরা ইতৈদা হায়রুচো হায়দুনা ফম্লিবা মতৈদা মপুরোইবা ওইরবোই নীংদুনা খুৎ পায়রগা চিংখৎলুবদা মতৈ ওইরমদুনা অমুকসু ইকাইবা নংখি। শক মান্নবদগী থোকখিবনি। ৱারীসিগা মান্নবা থৌদোক য়াম্না লৈ। নুংঙাইরিবদি, মনাও নুপীগা মতৈগা শোক্লবা শম্নবা য়াদবা চৎনবী লৈবা মণিপুরদা থোক্লিবা থৌদোক অসিনা হায়রপ নোক্লিংহনবা পোকপা ৱারী অমা লৈবসিনি। হৌজিক্কী মতম অসিদদি মতৈগা মনাও নুপীগা কোইনদ্রে। মকুবোক্কা মমৌগসু কোইনদ্রে। মতম অমগী চৎনবীগা ঙসিগী চৎনবীগা নাকন নাকন্নি। ওইরিবা মওংসি খল্লু খল্লুরগা ঐগী ওইনদি নুংঙাইতে অদুবু অসুম খঞ্জিল্লুরগা নোক্লিংবা হায়দু ফাওরকই করিনা চাউখৎপা হায়বসিনা চৎনবীদা ওইহল্লিবা ময়ামসে খল্লুবদনি।

অতোপ্পা নোক্লিং ৱারী অমা থেংনৈ। হেন্দ সেক লৈরক কৌই। লৈরক অসিদগী থোকলকপা মীসি খঙনদ্রসু উন্নবদা খুৎ শোক্লে, হেন্দ সেক তৌনৈ। অতৈগী নত্তে য়ু থকফম লৈ। য়ু থক্লুরগা থোকলকপদা নিশাগী ময়াইনা মী লোইনমক ইংলিস ঙাঙলগা থোকলকখি, উন্নবদা হেন্দ সেক তৌনৈ। থৌওং অসিদগী হেন্দ সেক লৈরক হায়রগা খঙনখি। ৱারী অসিমদি হেক পাবগা খংনোক নোকনীংবা ফাওরকই। ইপোমগী চাউবা তোম্বী বাবু লৈরম্লগদি মখোয়নগা তম্বা পাউ ওইরগদি হেন্না নোক্কনি। অইবা মাইবম নবকিশোরগী হন্দক্কী লাইরিকসি পারুবদা নুংঙাইবা খরদি ফাওরে। মী লোয়নমক্তা ফাওহন্নিংঙি। ঐখোয়সে শুকথবা কুইমল্লে। ●

**—মাখোনমনি মোংসাবা**

**ৱারী ককনাউ**

# লোংদাও

“কদাইদনো নুংদাংসিদা, নশাগদু ইফিং ফিংগৎলদনা হা?”

দোরেনগী মপানা চৎকদবগী লোইশিন্দুনা থোরক্লিবা মচানুপাদা চৈবোই হংবোই খোন খরা কল্লপ ঙাঙলকই। মপাগী ৱাদু অহানবদা থোইদোক্না তারবসু দোরেননা খুমদে। মশমদু পোজ তৌদুনা মিংশেলদা চেপথ-চেপথ য়েংলদুনা হাৎলি। অমুক্কসু মপানা নমহং হংজিল্লকই,

“কদাইদনো হায়বনিনে নঙবো, নুমিৎ হেক তাবগা হেক্তা নফি শেৎতুনা থোক্লিবসিবু কদাইদনো হায়বনি। নুংদাংসিদা নৎত্রদি চৎপদু য়াদ্রবো? ঙল্লিঙৈ শক্কা শক্কা উনরিঙৈ চৎকেদি হায়দ্রদনা অমম্বা অথেংবদা কোইচৎ চৎলিবা, নোংঙাল্লফাওবা হল্লত্রিসি কদাইদা করি তৌরিবনো হায়বনিদা?”

হন্দক্তি দোরেন মপাদা মচিন খুম্মকই। অচুম্বা চৎপা শাওগনবা নুপা অমনা শাওদোরকপদু ঙাই,

“কৈনো চৎলিসে থবকনে, মীয়ামগী - লৈবাক্কী থবক। ফাগি নত্তেয়ে। তৌরিবা থবকসে ইশাগী ইরন্নাইগী নত্তেয়ে, খুন্নাই অসি কন্নবনে”

“করি থবক হা করি থবকনো”

“পাবুং খুন্নাই অসি মাঙদৌরে, মুৎকদৌরে”

“ইহ! অদুদা ইচানা খুন্নাই কন্নবা অহিংসিদা মকুদৌনা চৎলিবা”

“চৎলিবসে অরুবা থবকনে, খুন্নাই কন্নবা থবক”

“খুন্নাই খুন্নাই, ইরৈবাক ইরৈবাক, খিরে, তানীংদ্রে, নশাগী তুংগী করি চারগা হিংগদগে হায়বদি নোংমতা খন্দে, অদুগা লৈবাক্কীনি, হা মীয়ামগীনি গাইনা। মতমসিদবু নঙগুম্বা নথুন্দা সিকি পক্তবা নঙনা লৈবাক্কী, মীয়ামগী করি তৌবা ঙমগদৌরিগে? কনানা নৱা লৌগদৌরিগে? চৎখিনু নফিগদু হোংদোকউ”

“কান্নদে পাবুং, অরুবা অরোনবা পাউ অমা ফংবদগী দ্রাইভ চৎকদৌরিবনি, মী ফারুদৌরিনি”

“ইহে দ্রাইভ কাইনা, থানাগী লোন্দাগা শীজিন্নরদনা? করি দ্রাইভ হা করি দ্রাইভনো?”

“মী ফারুদৌরিনে”

“ঙাইখো ইপাগী ইবুংঙো, নঙসে ইপানা নথন্তা পোকপনি, ইচাবু নহারোলগাইদু য়াওরব্রানে, মী ফাবা চৎকদৌরিদুবো?”

“থনাদৈ ঐখোয়না হেন্না চাওরিজাৎনি। থনাগাইদু ঐখোয়গী ইতুং কোইন ইন্নরিনি কো পাবুং হোইনা খঙঙোই, অরুবা থবকনি হায়সিনি”

“অদুবু ইপাদা মরোলদুদদি হায়যুদনা কৈদৌবৈ ইচানা মী ফাদৌরিনো হায়বনি, নঙবু করি ওইদনা কনানা নঙোন্দা মী ফাও হায়গে হায়বনিদা”

“পাবুং ঙসাইনা হায়খ্রে, খুন্নাই কন্নবনি হায়দনা”

“কনাগী খুন্নাইনো”

“ঐখোয়গী তুংলমচৎ”

“ইহ! ইচাদি তুংলমচৎকসু য়াম্না খল্লিপোৎনিদনা সিদি”। মতমসিদা দোরেনগী ফোন্দা কোল অমা লাকই। দোরেন ফোনদু থুনা পায়খৎলি অদুগা ৱারী শারি, মপানা মচাগী মনাক্তা অদুম লেপ্তুনা ৱারীদু তারি।

“মফম কয়া হায়বা?”

“মফম অহুম”

“অদুদি য়াম্মীহে, মদুদগী অমুক মরী মরী হায়দোরকপদগী মী য়ামদৌরিনে, নোং ঙানদৌরি ঙসিদি, ফরে, ঐ লোইশিল্লে থোরক্লগে” ফোন থমখি, অদুগা চৎনবা মখোঙ থাংদোরকই।

“চৎখিনুনে, ইপাসি মঙ হাগসু কয়া নুংঙাইতেনে”

“পাবুং চৎতৌরিসে দ্রগ য়োনবা, চাবা ফাবনি”

“অদুদি থনানা তৌগদবনি, নোইগী নথৌ নত্তেনে, নোই তোলোপ চাবসু নত্তে, নোইদা কনানা পাৱর পীদুনা মী ফাদৌরিনোনে ইপাগী ইবুংঙো”

“পাৱরগী ৱা মথৌ তাদে, ঐখোয়না তৌরিসে লৈবাক্কীনি, খুন্নাইগীনি হায়রিসিনি। সি তৌরিসি ইথৌনি ইথৌ”

“অদুম্না তৌগনুনে ইপাগী ইবুংঙো, ইচাশিংনা তৌরিদো অফবদি অফবনি, অদুবু মদু নোইগী নথৌ নত্তে, কনাগুম্বনা ৱা হায়নরক্লদি নোই খুমফম লৈরোইনে। নোইনা তৌরিদো লোংদাও কৌইনে।

“লোংদাও ওইগেরা, উপতাও ওইগেরা ঐ চৎলে, মী ফারুগে, মী খরা লাক্লগে। য়েংঙু কৈদৌগে হায়দনা”

মপাগী ৱাগা অমত্তা তাদনা দোরেন থুনা ইমুংদগী থোকখ্রে। মপানা খাম্বদা য়াদনা থোকখ্রিবা মচাদু য়েংহৌরগা দোরেন মপানা খলহৌই -

“ওহ ওন্থোকপনিদনো ঐগী ইচাসি পংইরা শিংইরা মানা তৌরিসিবো? মোইনা তৌরিবা থবক্তুদা খূৎ য়াওনরক্তনা অশি অনা থোক্লো, কনানা মাবু পরমবির চক্রা এৱার্দ পীগদৌরিবনো। ঐগী ইচাসে লোংদাওদা ঙাওরেদো...”

**—নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।